# অফোংবা গে অমনা আইরলেন্দগী মথংগী পি এম ওইরকপা য়ানা লৈরে

দবলিন, মে ২১ : ইফোং ফোংনা গে অমনি হায়বা খঙনরবা ইন্দিয়াদগী হৌখিবা আইরিশ মিনিষ্টর লিও ভারাদকরনা আইরলেন্দগী মথংগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকপা য়াবগী ফীভমদা ফম অসিবু তান্নবগী লমজেলদা মাঙজিল থারি।

মশাগী চহী ৩৮ শুরবা ভারাদকর ফাইন গাইল পোলিটিকেল পার্টিগী লীদর অমসুং সোসল প্রোটেক্সন মিনিষ্টর অমনি। আইরিশ কেপিটেল দবলিনদা পোকখিবা ভারাদকর অসি থবক্তগী পোথারবা ইন্দিয়ন দোক্টর অমসুং আইরিশ মমা অমগী মচানুপানি।

চয়োল অসিগী অঙনবগী ওপিনিয়ন পোল অমনা আইরলেন্দগী মীয়াম্না ভারাদকরবু হাউসিং মিনিষ্টর সিমোন কোভেনিগী মহুৎতা ফাইন গাইলগী মথংগী লুচিংবা ওইহনবা পামই হায়বা উৎখি। ক্লাইঅর বর্নলাইভকী পোল অদুদা রেস্পোন্দেন্টশিংগী চাদ ২৩না কোভেনিবু শৌগৎখি অমসুং ভারাদকরনা চাদা ৩৫ গী সপোর্ট ফংখি। লাইভ পোলগী রিজল্টস অসিদা নত্তনা ভারাদকর অসি ওনলাইন বুকমেকর পেদ্দি পৱার বেফোয়রগী ফেভ্রাইট অমসু ওইরি।



প্রাইম মিনিষ্টর এন্দা কেন্নি হৌখিবা মার্চতা য়ু এসতা খোঙচৎ অমা চৎতুনা প্রসিদেন্ট দোনাল্দ ত্রম্প উনখিবা মতুংদা মফম থাদোক্লবা য়াই হায়না রিপোর্টখরনা ফোঙদোকখি। মহাক আইরিশ পুলিস ফোর্সমনুংগী ৱাথোক অমা হেন্দল তৌবগী মতাংদা ক্রিটিসিজম মায়োক্লরকখিবনি। তোঙান তোঙানবা ওফেন্সশিংগা মরী লৈননা মরাল শীরবা ফম্নাইবশিংদি প্রোসিক্যুট তৌদে হায়না ওফিসর অমনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ৱাথোক অদু লাকখিবনি। ভারাদকরবু পার্টিগী লীদর ওইহনবনা আইরলেন্দদা মরু ওইবা সোসল চেঞ্জ অমা লাকহল্লগনি হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

লৈবাক অসি হোমোসেক্সুএলিটিবু ক্রাইম ওইদ্রে হায়না লাউথোকখিবা অরোইবা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী মেম্বরশিংগী মনুংদা অমনি। কুমজা ২০১৫ দা লৈবাক অসিনা মান্নবা-সেক্স মশেল লুহোংবা রিকগনাইজ তৌনবা ৱারেপ লৌখি। ক্বালিফাইদ দোক্টর অমা ওইরিবা ভারাদকর মাথ্যু বারেট কৌবা অতোপ্পা দোক্টর নুপা অমগা মরী লৈনৈ। ভারাদকরনা ফাইন গাইলগী লীদর ওইনবা হোৎনরকপদা বারাটনা মোরেল সপোর্ট চাউনা পীখি হায়না পাউচে খরনা ইখি।

# সিরিয়াদা য়ু এসনা চথখিবা এয়রষ্ট্রাইকশিং লোগী মায়োক্তনি : রসিয়া


মোস্কো, মে ২১ :

ইরাক্কী বোর্দর মনাক নক্না য়ু এসনা অশাদবু শৌগৎপা ফোর্সশিং টার্গেট তৌদুনা চথখিবা এয়রষ্ট্রাইকশিং লোগী মীৎয়েংদা চৎনবীগী ৱাংমদনি হায়না রসিয়ানা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা শগোলশেল নুমিৎতা ইরাক্কী বোর্দর মনাক্তা কোলিসনগী ৱারপ্লেনশিংনা সিরিয়ন গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিং অমসুং ইরান্না শৌগৎপা মিলিস্যাগী কনভোই অমদা টার্গেট তৌখি। এক্সন অদু সাউথ ইষ্ট সিরিয়াগী অল-টানফতা বেজ তৌবা বৃটিশ অমসুং অমেরিকান স্পেসল ফোর্সশিংবু প্রোটেক্সন পীনবগীদমক্তনি।

‘এক্সন অদু লোগী মায়োক্তনি অমসুং সিরিয়াগী সোভরন্টি খোঙ্গাওনবগী অতোপ্পা থৌদোক অমনি’ হায়না রসিয়ন ফোরন মিনিষ্টর সর্গে লভরোভনা সাইপ্রসত খোঙচৎ অমা চৎলিঙৈদা পীখিবা টেলিভাইজ কন্মেন্টশিংদা হায়খি।

রসিয়া অসি সিরিয়ন দিক্টেটর বাশর অল অশাদ রেজিমগী মরু ওইবা মীচং অমনি। রেজিম অসিনা য়ু এসনা লুচিংদুনা চথখিবা এক্সন অদুবু ৱাখল



ইখন খন্দনা থৌনা উৎপগী থৌদৌ অমনি হায়খি অমসুং এটেক অদুনা মসিবু কিহনবা ঙম্লোই হায়খি।

এটেক অদুনা মীওই কয়া মথ্বাই মাংহনখ্রে হায়না সিরিয়ন রেজিমনা ফোঙদোকখি অমসুং মদুনা লালগী চৈথেং নংলবা লৈবাক অদুদা আই এসকা লাল শোক্নরিবনি হায়বা কোলিসনগী ক্লেম অদু নমথাক্লি হায়বসি উৎলে হায়খি।

সিরিয়ন আরাব আর্মিনা মশাগী লমদা টেররিজম থেংনরি অমসুং পার্টি অমত্তনা সিরিয়ন আর্মিগী ওপরেসনশিংগী লম্বী লেপ্পগী হক লৈতে হায়না ছোর্স অমনা এ এফ পিদা ফোঙদোকখি।

# ‘চাইনানা সি আই এদা লোন্না পাউ পীবা মীওই ১০ হেন্না হাৎখি’

ন্যু য়োর্ক, মে ২১ :

হৌখিবা কুমজা ২০১১ অমসুং ২০১২ গী মরক্তা চাইনিজ গভর্ণমেন্টনা সি আই এদা পাউ পীবা মীওই ২০ ফাওবা হাৎখি নৎত্রগা জেলদা থমখি অমসুং চাইনাদা য়ু এসনা চথরিবা অরোনবা পাউ লৌবগী থবক্তা চৈথেং নংহনখি হায়না ন্যু য়োর্ক টাইমসকী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

এজেন্টশিংদুবু মশক খঙদোক্ল বগীদমক্তা সি আই এবু হেক তৌখি নৎত্রগা মিলিটরি ওর্গনাইজেসনদা য়াওবা স্পাই অমনা চাইনিজ ওথোরিটিশিংবু মতেং পাংখিব্রা হায়বগী মতাংদা শেংনা খঙবা ঙমখিদে হায়না ওফিসলশিংনা পাউচে অসিদা হায়খি। ওফিসলশিংদুগী মতুং ইন্না, সি আই এদা লোন্না পাউ পীবশিংদুগী মনুংদগী অমদি অতৈদা চেকশিন-ৱা পীবা ওইনা গভর্ণমেন্ট বিল্ডিং অমগী কোর্টয়ার্দতা কাপ্পুনা হাৎখি।

চাইনাদা সি আই এনা চথবা খ্বাইদগী খুমাঙ চাউশিনবা মওংগী স্পায়িং ওপরেসনবু চাইনিজ ওথোরিটিনা করম্না সিষ্টেমেটিক ওইবা মওংদা থুগায়খিবগে হায়বদু খঙনবা হোৎনবদা ন্যু য়োর্ক টাইমসনা হৌজিক্কী অমসুং হান্নগী মশক মমিং ফোঙদোক্তবা অমেরিকান ওফিসল ১০ গা ৱারী শানখি। রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না চাইনিজ কাউন্টর-ইন্টলিজেন্সনা য়ামদ্রবদা সি আই এগী ছোর্স তরা হেন্না হাৎখি।

হান্নগী সি আই এগী ওফিসল মরিনা পাউচে অসিদা ফোঙদোকখি মদুদি, চাইনিজ গভর্ণমেন্টকী ব্যুরোক্রেসি মনুং হুৎনা লৈরিবা ছোর্সশিংনা লিশাং শিংনা পাউ পীরম্বদু কুমজা ২০১০ দগী লেপখি অমসুং মথং চহী ২০১১ দা লোন্না পাউ পীরম্বা মীওইশিং মাঙখিবা নৎত্রগা থিবা খঙদবা হৌখি।

‘হনি বেজর্র হায়না কোদনেম পীবা সি আই এ অমসুং এফ বি আইনা পুন্না পায়খৎমিন্নবা ওপরেসন অমদা মীহাৎশিং অদুগী মরমদা থিজিনখি।

এন ৱাই টিগী রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না, কুমজা ২০১৫ ফাওবগী মনুংদা সি আই এনা চাইনাদা স্পাইশিংগী অচৌবা নেটৱার্ক অমা শেমগৎখি অমসুং বৈজিংগী ব্যুরোক্রেসি মনুংদা চাইনিজ নেসনল কয়া অরোনবা পাউজী ছোর্সশিং ওইনা লৈহনখি।

# ইকনমিক ৱারদা বৈজিংগী অনৌবা খুৎলাই : চাইনিজ টুরিষ্টশিং

বৈজিং, মে ২১ : হৈনৌ, কোইলা অমসুং সাম্মনগুম্বা পোত্থোক কয়া পুশিল্লকপা থিংবা হায়বসি চাইনানা লৈবাক অসিগী পোলিটিকেল প্রিন্সিপলশিংবু ঈকায় খুম্ননা চৎলু য়াদবা লৈবাকশিংবু চৈরাক পীবগী মতম শাংনা চথরকপা থৌওং অমনি।

তৌইগুম্বসুং বৈজিংনা শেল য়াম্না থোক্লিংঙাই ওইবা চাইনিজ এক্সপোর্টি অমা ককথরগা নৎত্রগা থদৎলগা অতৈবু শোকহনবা ঙমই হায়বসি উৎখ্রে। থিংজিনবা মতমদা অতৈ লৈবাকশিংবু শোকহনগদবা চাইনাগী শেন্থোক লৈবা এক্সপোর্টি অদুদি চাইনিজ টুরিষ্টশিংনি। লৈবাক অসিগী টুরিষ্টশিংনা মহৌশানা সাউথ কোরিয়া নৎত্রগা টাইৱানদা হুপ্পুনা চৎনৈ।

কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা য়ু এসকী এন্টি-মিসাইল ছিল্ড অমা থম্বগা মরী লৈননা চাইনানা হন্দক্তা সাউথ কোরিয়া বোইকোট তৌখিবসিনা শেল থুমগী পৱার উৎপদা লৈবাক অসিনা শাথিবা খোঙথাংশিং লৌখৎপা য়াই হায়বগী ঈঙ্গিৎ পী হায়না এনালিষ্টশিংনা ফোঙদোক্লি।

বৈজিংনা চাইনিজ লমকোয়বা গ্রুপশিংবু সাউথ কোরিয়াদা চৎপা থিংখ্রবনি। খোঙথাং অসিনা সাউথকী টুরিষ্ট মার্কেট অমসুং রিটেল জাইঅন্ট লোটেগ্রুপকী দ্যুটিফ্রী সোপশিংদা চৈথেং পীখি। সাউথ কোরিয়াগী রিটেল জাইঅন্ট অসি ৱাথোক ওইরবা দিফেন্স সিষ্টেম অদুগী লম পীবগীদমক্তা বৈজিংনা টার্গেট তৌখিবনি। বৈজিংনা মশাগী মিলিটরি কেপেবিলিটিদা থ্রেট পীরকপনি হায়না লৌরিবা টর্মিনেল হায়-অল্টিট্যুদ এরিয়া দিফেন্স (থাদ) সিষ্টেম থাদোক্লবা সিওলদা পীবা প্রেসর হেন্না কনশিন্নবগীদমক্তা লোট্টেগী ষ্টোর দজন কয়া চাইনাদা থিংজিনখি অমসুং সাউথ কোরিয়া শিন থুংনা বৈজিংগী খোঙথাংদুবু প্রোটেষ্ট তৌনখি। বৈজিংগী পোলিটিকেল লীদরশিংনা পাম্লিবদু নখোয়না তৌদবা তারবদি মখোয়না নখোয়বু শেল থুমগী লমদা চৈরাক ফংহনগনি’ হায়না সাইহাইদা বেজ ওইবা চাইনা মার্কেট রিছার্চ গ্রুপকী ফাউন্দর শাউন রৈইননা হায়খি।

# মীখলদা চাউনা মায় পাক্লবা ইরানগী রৌহানিদা য়ু এসনা প্রেসর পীবা হৌখ্রে

টেহরান, মে ২১ :

মীখলদা চাউনা মায় পাক্লকপগী হরাউ-তয়াম্বা ফোঙদোক্তুনা লৈরিবা ইরানগী প্রসিদেন্ট হশন রৌহানিদা মতম শাংনা লৈবাক অসিগী য়েক্লবা ওইদুনা লাক্লবা য়ু এসনা নৌনা অমুক প্রেসর পীশিনখ্রে।

হৌখিবা কুমজা ২০১৫ দা কন্না হোৎনদুনা মালেমগী পৱারশিংগা ন্যুক্লিয়র দিল অমা সাইন তৌনখিবা মশাগী চহী ৬৮ শুরবা মোদরেট ক্লারিক অমা ওইরিবা রৌহানিনা হায়খি, ইরানিয়নশিংনা নোংচুপ-লোমগা ৱারী শানদুনা প্রোব্লেমশিং সোল্ভ তৌনবগী অয়াবা চাউনা পীরে অমসুং এক্সট্রিমিজম রিজেক্ট তৌখ্রে। রৌহানিনা অপুনবা ভোট মশিংগী চাদা ৫৭ ফংখি অমসুং মহাক্কী লম্বা ওইরিবা হার্দলাইন ক্লারিক ইব্রাহিম রাইসিনা চাদা ৩৮ ফংখি।

ইরানিয়নশিংনা মালেমগী লৈবাকশিংগা ঈং-চিক্না অমসুং মরূপ-মপাং ওইনা তিন্নদুনা লৈমিন্নবা পামই তৌইগুম্বসুং কিহল্লকপা নৎত্রগা ঈকায়বা পীরকপদি য়ারোই হায়না রৌহানিনা ষ্টেট টেলিভিজনদা ফোঙদোকখি। তৌইগুম্বসুং মহাক হৌজিক ইরানগী অকনবা রিজনেল রাইভল ওইরিবা সাউদি অরাবিয়াদা খোঙচৎ অমা চৎলিবা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্দ ত্রম্পনা অকনবা মওংদা শিংনরকপগী ফীভম অমা মায়োক্লরি। সাউদি অরাবিয়াদা লৈরিবা ত্রম্পনা ন্যুক্লিয়র দিল অদু শেগাইগনি অমসুং ইরানগী মথক্তা অমুক হন্না অথিংবা কয়া থমগনি হায়না কিহনখ্রে।

রিয়াদতা য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট রেক্স টিলরসন্না হায়খি মদুদি, সাউদিশিংগা য়ু এসকা দোল্লর বিলিয়ন ১০ গী দিল অমা সাইন তৌনরিবসি ইরান্না ফত্তবা ঈথিল পীরকপদা কিংদম অসিনা লাকশিন্নবা তৌবদা মতেং পাংনবনি। টিলরসন্না ৱাফম অসি ফোঙদোকপগা লোয়ননা রৌহানিদা টেহরানগী ‘টেররিজমগী নেটৱার্ক’ মুথৎনবা অমসুং বলিষ্টিক মিসাইল চাংয়েং তোক্লবা তকশিনখ্রে।

# টালিবান্না এম্বুশ তৌদুনা অফঘান পুলিস ২০ হাৎখ্রে

কান্দাহার, মে ২১ :

সাউথ সেন্ট্রেল অফঘানিষ্টানদা টালিবান্না এম্বুশ তৌবদা য়ামদ্রবদা অফঘান পুলিসমেন ২০ শিখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট কয়াদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা লালহৌবশিং তকথোক্লবা হোৎনরিঙৈদা এম্বুশ অদু চথরকখিবনি।

পুলিসতা এটেক চথরকখিবা জাবুল প্রোভিন্সকী সাহ জোই দিষ্ট্রিক্ট অমসুং অতৈ মফমশিংদা, সিক্যুরিটি ফোর্স অমসুং টালিবান মিলিটেন্টশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লুরি হায়না প্রোভিন্সল গভর্ণর বিসমুলাহ অফঘানিনা ফোঙদোকখি। মহাক্লা চিনো অমসুং ঘুলাম রাবাটকী এরিয়াশিংদা টালিবাননা পুলিসতা এম্বুশ তৌখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্কী মতুং ইন্না, এম্বুশ অদুদা পুলিসমেন ২০ শিখ্রে অমসুং অতৈ ১০ না অশোক-অপন নংখ্রে। অশিবা মশিং হেনগৎলকপা য়াই। নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা শৌগৎপা কাবুলগী গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা চহী ১৬ চুপ্না লাল হৌরকখিবা টালিবান মিলিটেন্ট



দজন কয়াসু শিখ্রে নৎত্রগা অশোক - অপন নংখ্রে হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

পুলিসতা এম্বুশ তৌখিবা এরিয়া অদুদা থাখিবা অহেনবা ফোর্সশিংদসু এটেক তৌখি হানা জাবুলগী গভর্ণরগী স্পোক্সমেন গুল ইস্লাম সেয়ালনা ফোঙদোকখি।

জাবুলগী দাই চোপান দিষ্ট্রিক্টতা মখা তানা খুৎ থোক্লুরি, তৌইগুম্বসুং মীশি-মীনা কয়া থোক্লবগে হায়বদুদি খঙবা ঙমদ্রি হায়রি।

য়ুমথংনবা ঘজনি প্রোভিন্সতসু টালিবান ফাইটরশিংনা ইরাই নুমিৎতা প্রোভিন্সল কেপিটেলদা ফাইটরশিংনা ইরাই নুমিৎতা প্রোভিন্সল কেপিটেলদা মচিন অহুম লোংবা এটেক অমা চথখ্রে হায়রি।

এক্সপ্লোসিভস মরাং কায়না য়াওবা হমভী অমা দিষ্ট্রিক্ট গভর্ণরগী কম্পাউনদগী চঙফমদা থৌজিন্দুনা এটেক অদু চথখিবনি।

# নোর্থ কোরিয়ানা বলিষ্টিক মিসাইল অমা কাপখ্রে, জপান্না কন্দেম তৌখ্রে




সিওল, মে ২১ : নোর্থ কোরিয়ানা নোংমাইজিং নুমিৎতা চপ চানা মশক লেপ্পা ঙম্নদ্রিবা বলিষ্টিক মিসাইল অমা কেপিটেল পিয়োংয়াং মনাক্তগী কাপখ্রে হায়না সাউথ কোরিয়াগী মিলিটরিনা ফোঙদোকখ্রে। মদু ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং অমসুং মিসাইলশিং থুনা পুথোক্লবা হোৎনরিবা লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী নৌবা খুৎলায় চাংয়েংনি।

মিসাইল অদু সাউথ ফিয়োঙ্গন প্রোভিন্সকী পুকচাংগা নক্লবা মফম অমদগী কাপখি অমসুং নোংপোক্লোমদা কিলোমিটর ৫০০ রোম পাইখি হায়না সাউথ কোরিয়াগী জোইন্ট চিফস ওফ ষ্টাফনা ফোঙদোকখি। অতৈ অকুপ্পশিংদি পনখিদে।

মিসাইল লোঞ্চ অদুগী মতাংদা খন্নবগীদমক্তা সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মূন জে ইননা নেসনল সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী মীফম অমা কৌখ্রে হায়না মূনগী ওফিসনা ফোঙদোকখি।

খ্বাইদগী নৌবা মিসাইল লোঞ্চ অসু নোর্থ কোরিয়ানা হৌখিবা চয়োলদা অনৌবা মিদরেঞ্জ মিসাইল অমা মায় পাক্লনা চাংয়েং তৌখিবা মতুংদা পাঙথোক্লিবনি। পিয়োংয়াংনা মমাঙগী মিসাইল অদু অরুম্বা ন্যুক্লিয়র ৱারহেদ অমা পুবা ঙমই হায়না ক্লেম তৌখিবনি। এক্সপার্টশিংনা হায়খি মদুদি, রোকেট অদু মমাঙদা নোর্থ কোরিয়ানা চাংয়েং তৌখিবা অতৈ মিসাইল অমত্তগা মান্নদবা মওংদা হেন্না ৱাংনা পাইখি অমসুং মতম হেন্না শাংনা পাইখি। নোংমদি মদু হাৱাইঈ অমসুং অলাস্কাগুম্বা থাপ্লবা টার্গেটশিং য়ৌবা ঙম্বা য়াই হায়না এক্সপার্টশিংনা মখা তাখি।

জপানিজ প্রাইম মিনিষ্টর সিঞ্জো অবেনা মিসাইল চাংয়েং অদুবু কন্দেম তৌখ্রে অমসুং মদু য়ু এন রিজোল্যুসন খোঙ্গাওনবগী থৌওংনি অমসুং নোর্থ কোরিয়ানা হঞ্জিন হঞ্জিন কাইহৌবগী থৌওংশিং চথরকপসি জপান্না কৈদৌঙৈদসু য়াবা ঙম্লোই হায়খ্রে। চাংয়েং অদু সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মূননা থা অসিগী অঙনবদা থবক পায়বা হৌখিবদগী অনীরক-শুবনি। মহাক্লা কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় লৈহন্দনবা তৌবদা নোর্থ কোরিয়াগা ৱারী শানবা পামই।



HL-P/0763/22



HL-B/3834/27/04-27/05

## EMPLOYMENT NEWS

**Join Indian Army Recruitment – 126th Technical Graduates Course (TGC-126) (40 Vacancy) – Last Date 14 June 2017**

Join Indian Army Recruitment 2017

Indian Army invites applications for the post of 126th Technical Graduates Course (TGC-126) commencing in Jan 2018 at Indian Military Academy (IMA), Dehradun) in 40 Vacancy. Apply Online before 14 June 2017. Qualification/ eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

**Indian Army Job Details :**

Post Name : 126th Technical Graduates Course (TGC-126)
No. of Vacancy : 40 Posts
Pay Scale : Rs. 21000/- (Per Month)

**Engineering Streams wise Vacancy :**
Civil : 11 Posts
Mechanical : 04 Posts
Electrical/Electrical & Electronics : 05 Posts
Computer Sc & Engg/Computer Technology/Info Tech/ M.Sc (Computer Sc) : 06 Posts
Electronics & Telecommunication/Telecommunication/ Electro nics & Communication/ Satellite Communication : 07 Posts
Electronics : 02 Posts
Metallurgical : 02 Posts
Electronics & Instrumentation/Instrumentation : 02 Posts
Micro Electronics and Microwave : 01 Post

**Eligibility Criteria for Indian Army Recruitment :**

Educational Qualification : Candidates who have passed the requisite Engineering Degree course or in the final year of Engineering Degree course are eligible to apply. The candidate studying in the final year of Engg degree course should be able to submit proof of passing by 01 Jan 2018 and produce the Engg Degree Certificate within 12 weeks from the date of commencement of training at IMA.

Nationality : Indian
Age Limit : Minimum & Maximum age limit is 20 to 27 years as on 01.01.2018 (Candidates born between 02 Jan 91 and 01 Jan 98, both dates inclusive)

**Job Location : All India**

**Selection Process :** Selection will be based on Shortlisting of Applications & SSB interview.

**Application Fee :** There is no Application fee.

**How to Apply Indian Army Vacancy :** Interested Candidates may apply Online through the website www.joinindianarmy.nic.in form 16.05.2017 to 14.06.2017 till 1000 HRS thereafter website link will be disabled.

**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application from : 16.05.2017
Last Date for Submission of Online Application form : 14.06.2017

***Important Links :***
*Details Advertisement Link : https://joinindianarmy.nic.in/alpha/writereaddata/Portal/NotificationPDF/DETAILED_NOTIFICATION_TGC_126.pdf*
*Apply Online : https://joinindianarmy.nic.in/alpha/login.htm*

**Join Indian Army Recruitment – 10+2 Technical Entry Scheme Course – 38 (90 Vacancy) – Last Date 14 June 2017**

Indian Army invites applications for the post of 10+2 Technical Entry Scheme Course – 38 Commencing from Jan 2018 in 90 Vacancy. Apply Online before 14 June 2017. Qualification/ eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

**Indian Army Job Details :**

Post Name : 10+2 Technical Entry Scheme Course – 38
No. of Vacancy : 90 Posts
Pay Scale : Rs. 21000/- (Per Month)

**Eligibility Criteria for Indian Army Recruitment :**

Educational Qualification : candidates who have passed 10+2 Examination or its equivalent with a minimum aggregate of 70% marks in Physics, Chemistry and Mathematics from a recognized education boards.

Nationality : Indian
Age Limit : Minimum & Maximum age limit is 16½ to 19½ years on the first day of the month in which the course is commencing i.e. the candidate should not be born before 01 Jul 1998 and not after 01 Jul 2001 (both days inclusive).

**Job Location : All India**

**Selection Process :** Selection will be based on Shortlisting of Applications & SSB interview.

**Application Fee :** There is no Application fee.

**How to Apply Indian Army Vacancy :** Interested Candidates may apply Online through the website www.joinindian army.nic.in form 16.05.2017 to 14.06.2017 till 1000 HRS thereafter website link will be disabled.

**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application from : 16.05.2017
Last Date for Submission of Online Application form : 14.06.2017

*Important Links :*
*Details Advertisement Link : https://joinindianarmy.nic.in/alpha/writereaddata/Portal/NotificationPDF/TES_38_Detailed_Notification.pdf*
*Apply Online : https://joinindianarmy.nic.in/alpha/login.htm*